# ঈজৎকী ৱাফমনা হেন্না লুম্না লৌখিবনা মী হাৎপা কিরক্তবা পীছ মেক্করগী ‘চাগী খুজি’ উৎখ্রে

নোমীতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ

ইঙাগী পানখৎলকপা য়াক্লবা নুংশাগী মৈশারক্তা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেলগী লীলানা য়েংলিবা মীয়াম্বু অশাবা ফাওহন্দনা হুমদুনা পুরী। মসিমক ফেষ্টিভেল অসিগী তাঙলবা মঙ্গুননি হায়বা য়াই।

পেন্নাইদ্রবা মীওইবগী ৱাখলনা করিগুম্বা মিৎকুপ্তা লীলাদগী নাথৈরকপা মতমদা ফাওরকখিবা নুংশাগী মৈশাবু তেমশিংনরকপদা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলনা মীয়ামগী পেন্নবা হয়েংদগী শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা নুংশিৎ মপী থমদুনা ঈচিক লাংহনগনি ফোঙদোরকপা লাইবক ফবা হায়বদুনি।

মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শিন্দুনা ৪২ শুবা ওল মণিপুর শুমাঙ লীলা ফেষ্টিভেলগী ঙসি তরানি চনবা অমদি নুপা লীলাগী হুম্নি চনবা নুমীৎতা পীছ মেক্কর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘চাগী খুজি’ উৎখ্রে। লীলাগী অইবা অথোকপম তোমগৌ অমসুং তাকপী তম্বীবা য়ুম্নাম রাজেন্দ্রনি।

‘চাগী খুজি’ হায়রিবা লীলাসি মপুং ওইনা তাঙ্খুল অমসুং মৈতৈগা নকশিন্নবা মরী উৎপা অমসুং মীয়ানচা পঞ্জাবী দ্রগ লল্লোনবা অমনা উখুলদা লৈরগা মমল পীদুনা অপাম্বা নুপীশিংবু ঈজৎ লৌবা অমদি থবক অসিদা তাঙ্খুল নুপী অমনা শেলগীদমক্তা অচৌবা শেন্দাল লম্বী ওইরকপদা মপুন্সি মাঙখিবদা য়ুম্ফম থোন্দুনা পুথোকপা লীলানি।



চীংমী নুপী লৈশাবী মশক ফজবা ময়াম খন্দুনা শেল চাউনা লৌরগা লল্লোনবগী থবক চথরকপা অমদি থৌওং অসিদা খোঙদানিংদবা নুপী য়াওরকপদা মখোয়গী ঈজৎ কন্নবগীদমক্তা মী হাৎপদা কিরক্তে। মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা মী হাৎপা, ঈজৎ শোকপা হায়বসি আইননসু ঙাকপীবা ঙম্মী হায়না তাক্লি।

‘চাগী খুজি’ লীলাগী নুপাদা শক্তম লাংখিবশিংদা লুইঙমগী শক্তমদা সোরোকখাইবম ইবোবীদা পীরিবা করেক্টরদা মপুং ফানা পাঙথোকই। থৌঙমগী শক্তমদা ললিতকুমার হোদাম্না শক্তম লাংখি। পীরিবা করেক্টরগী মপুংদা ৱাহন্থোক লৈনা লীলা শান্নবা ঙম্মী। নিংহৈমো, পুলিস এস আইগী শক্তমদা অরুনকুমার য়ুম্লামনা মপুং ফানা পীরিবা করেক্টরদা মায় পাক্লা লীলা শান্নে। খোম্মৈগী শক্তমদা অথোকপম সন্তোস ফাগী পুবা আর্টিষ্ট ওইনা মীয়াম্না পাম্নবগী মগুন ঙাক্লা লীলা শান্নে।

দিলিপ সিংহ পঞ্জাবীগী শক্তমদা সুসিল মাই বোইনা পীরিবা করেক্টরদা মীয়াম্বু ফাবা ঙম্না লীলা শান্নরকই। নৌনা খোঙদারকপা আর্টিষ্ট ওইনা উহন্দে থাগৎনিঙাইনি। নোংপোক্কী শক্তমদা আর কে তৌইজাম্বা য়াম্না ফগৎলে, পীরিবা করেক্টরদা মপুং ফানা এক্ট তৌখি। তোলেন পুলিস কন্সটেবলদা নাওরেম তম্ফাসনা মৈতৈনা পীরিবা করেক্টরদা মহাও পীনা লীলা শান্নে।

নুপীগী শক্তমদা লিলিদা বিসেস হুইরেমনা করেক্টর পুদুনা চৎলি। পীরিবা করেক্টরদা মায় পাকই। রোজিগী শক্তমদা দিপসন সেঞ্জমনা পীরিবা করেক্টরদা চেকশিন্না মপুং ফানা শান্নে। সুমিলাগী শক্তমদা কান্তা লৈশাংথেম, নুপী খোঞ্জেলগী শৈশক্লোই ওইবদগী লীলাগী আর্টিষ্টনা হেন্না পকচরে।

পীছ মেক্কর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘চাগী খুজি’ য়াম্না পৱারফুল ওইবা লীলা অমা ওইনা শান্নদুনা মীয়াম্বু শুমহৎপা ঙম্বা ওইখি। লীলাগী খোঙজেল য়াংনা চৎতুনা লীলাগী টেম্পোদা মতাং চানা চানা চেনখৎনবা হোৎনবগী মমি তারি।

নুপা খোঞ্জেলদা নাওরেম জিতেনকুমার, নুপী খোঞ্জেলদা কান্তা লৈশাংথেম, ম্যুজিক দিরেক্টরদা মোইরাংথেম রোবার্ট মীতৈ, গিট্যর অমসুং বাইওলিনদা এম রোবার্ট মীতৈ, পেদ দ্রমদা লৈমুজম বিনোয়, ফ্লুইটতা সেরাম রোমাজিৎ, কি বোর্দতা ময়াংলম্বম মিলননচিংবা মপুং ফানা মখোয়গী মথৌ পাঙথোকখি। হয়েং জুন ৭ তা নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী ‘মঙফাওনরকপা’ লীলা উৎকনি। লীলাগী অইবা মনি য়ুম্নামনি।

# মীয়ামগা মীমান্নদ্রবা অঙাংশিং লায়েংদুনা মীরক তিনবা ঙম্নবা থবক পায়খৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ

সর্ভা সিক্ষ্যা অভিয়ান (এস এস এ), ষ্টেট মিসন ওথোরিটি, মণিপুর অমসুং শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইনষ্টিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদ, হেল্থ সিটি লাঙ্গোল অনীনা পুন্না খুৎশম্নুনা শিন্দুনা ইনক্লুসিব এদ্যুকেসন ফোর দ দিসএবল (আই ঈ দি) স্কিমগী মখাদা অঙাং মরি লেম্না করেক্টিব সর্জরি তৌখ্রে।

ঙসি লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইনষ্টিট্যুটকী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এস এস এ, ষ্টেট মিসন ওথোরিটি, মণিপুরগী এদিসনল ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর এন জি ভোগেন্দ্রো মীতৈনা হায়খি, এস এস এনা চহী ৬ তগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীয়ামগা মীমান্নদ্রবা অঙাংশিংদা লায়েংবগী থবক পায়খৎলি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মমা-মপা ওইবশিংনা দিষ্ট্রিক্ট/দিষ্ট্রিক্ট নত্রগা ষ্টেট মিসন ওথোরিটিদা লাক্তুনা হীরমসিদা তান্নরবা য়াই। কুমজা ২০১৩-১৪ গী ওইনা লুপা লাক্ষ ৩৪ হীরমসিদা শীজিন্নবা সেঙ্কসন লৈরে। অঙাং অমগী লায়েংবদা লুপা ৬০,০০০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াই। লোয়ননা হন্দক চহীগী ওইনা অঙাং ৩০ লায়েংনবা এপ্রুভেল লৈরে।

অমরোমদা, শেল য়াম্না চঙগদৌবা অনাবশিং মরু ওইনা হার্ট অমদি কিদনি লায়নাশিংগীদি স্কিম অসিনা কোভর তৌদে অদুবু হায়রিবা লায়নাশিং অসিগীদমক ঙাক্লৌ খরদি লৌবা য়াবগী ৱাফম লৈরি। অঙাং অমদা লুপা লাক্ষ ৫/৬ চঙখ্রবদি অতোপ্পা লায়েংগদৌরিবশিংদা অকায়বা লাক্কদবনা লায়নাশিং অসি লায়েংনবগী গাইদ লাইনগী নীয়মদসু য়াওদে। মরমসিনা হীরমসিদা হৌজিকমক্কী ওইবা তেংবাঙ পীনবগী পাম্বৈ লৈত্রি। মশাদা শোয়নাইবা লৈবদগী লাইরিক তম্বদা খুদোংচাদবা, ঈকাইবা, মীনোক মৈশা কিবদগী মরুপ মপাং তিন্নদবা কয়াদা ফাওরিবা সোসল ষ্টিগমা কোকহন্নবা গভর্নমেন্টনা পায়খৎপা স্কিম অসিদগী কান্নবা লৌবীনবসু অপিল তৌখি। হৌজিকমক্কী ওইনদি কান্নবসি মীয়াম্না পাক শন্না খঙদবনা এস এস এগী ইমপ্লোয়ীনা শোয়নাইরবা মহৈরোয়শিং থি-থিদুনা ময়ুম ময়ুমদা চৎলগা কান্নবসি পীরি। হৌজিক ফাওবদা অপুনবা অঙাং ২৭ কান্নবা অসি লৌননবা শিজ হোস্পিটালদা কন্সল্টেসন তৌরে হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শিজ হোস্পিটালগী চ্যেরমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডো: কে ঐচ পালিননা হায়, এস এস এগী ইনক্লুসিব এদ্যুকেসন ফোর দ দিসএবল (আই ঈ দি) গী মখাদা অঙাং ১০ কন্সল্টেসন তৌরবা মতুংদা অঙাং ৫ দি মথৌ তাবা ওপরেসন তৌরে। লোয়ননা অঙাং ১৭ অমনা মথং মথং ওইনা লায়েংদুনা মথৌ তাবা ওপরেসন তৌনবগী থৌরাং চথরগনি। আই ঈ দি অসিনা অনাবা মখল ১০ হায়বদি মৈনা চাকপদগী ওইরকপা শোয়নাইবা, ঙকশম পৈবা, শেগ্রাক, ঙকশম অমদি অতৈ হকচাংগী শরুক্তা পোমথোকপা, মিৎপাল মথক্কী শরুক তুমথোকপা, মিৎ শেপ্পা অমসুং মিৎনহা মান্নদবা, খোঙ কোনশিনবা, ঊৌদোং থুংবা, নাকোং পীকশিনবা নত্রগা য়াওরক্তবা, মিৎকী মপাঙ্গল শোনবা হায়রিবা লায়নাশিং অসিনা নারবা অঙাং চহী ৬ দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিং হোস্পিটাল অসিদা এস এস এনা অচঙবা শেল পুথোক্তুনা লায়েংলি। লায়েংবদা চঙবা শেনফমগী চাদা ২০ দি হোস্পিটাল অসিনা সবসিদাইজ তৌরি।

শোয়নাইবনা মরম ওইদুনা ঈকাইবা, মীরক তিনিংদবা, খুদোংচাদবা কয়া স্কিম অসিনা কোকহনবা ঙম্লগনি। চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হোস্পিটাল অসিনা এস এস এগী মখাদা লায়েংবা হৌখিবনি। এস এস এনা খুদোংচাবসি ফংহন্নবা থারকপা অঙাং খুদিংমক হোস্পিটাল অসিদা রেজিষ্ট্রার তৌগনি। লোয়ননা ৱাইটিং লিষ্ট শেমদুনা মথং মথং নাইনা লায়েংগনি। শেল হেন্না চঙগদবা অঙাং য়াওক্লবসু ষ্টেট মিসন ওথোরিটি অমদি হোস্পিটাল অসিগা এদজষ্ট তৌনদুনা অদুমক ওপরেসন তৌনবা থৌরাং তৌগনি। হোস্পিটাল অসিগী মায়কৈদগী খুন্নাই অসিদা খরা খজিক তেংবাঙ পীবা ঙমজবসি লাইবক ফবনি। মতুংদসু হোস্পিটাল অসিনা অঙম্বা তেংবাঙ পীদুনা দিফোর্মেসন লৈরবা অঙাংশিংবু ওপরেসন তৌদুনা মীরক তিনহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

# ‘মীয়াম য়াওদনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিং মপুং ফাবা ঙম্লোই’

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাং পুরক্কবগীদমক গভর্নমেন্ট অসিনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিং হিঙ্গৎহল্লবসু অপনবা কয়া লৈরি। অপনবশিং অসি থেংনদুনা চাউখৎপা পুরক্কবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংনা মপুং ফাবা থবক পায়খৎপা ঙম্লোই হায়না দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

তামৈ-তৌসেম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শিল্লগা ট্রাইবেল রিসার্চ ইনষ্টিট্যুটকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নৌনা খল্লবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চ্যেরমেন হুমালিয়া বৌ অমসুং ভাইস চ্যেরমেন জিনো কামৈবু তারাম্না ওকপগী থৌরমদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা এ দি সিগী মীহুৎশিংনা চীংগী মফমদা ওফিস হাংদুনা থবক তৌবদা অপনবা ওইদুনা লৈরি। অপনবা পীরকপা অসিনা এ দি সিগী মীহুৎশিং ইম্ফালদা লৈদুনা থবক পায়খৎলি। অদুমকপু মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপদা অপনবা অমদি অয়েৎপা কয়া পীরকপনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি।

চহী ২০ রোম এ দি সিগী মীখল পাঙথোক্লদ্রবা তুংদা হৌখিবা চহী মরিরোমগী মমাঙদা গভর্নমেন্ট অসিনা চীংগী মফমদা লৈরিবা মীয়ামশিং অসি চাউখৎপা থাক অমদা পুরক্লবগীদমক মীখল পাঙথোক্তুনা মথৌ তৌহনবা হৌরকখিবনি। মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা তোঙান তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী অয়েৎপা অপনবা পীরকপদা নত্তনা বোয়কোট ফাওবা তৌরকপা লৈখ্রবনি। মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎনবা হোৎনবা অসিদা অপনবা পীরক্লিবশিং অসি মীয়ামগী য়েক্লবনি। মরম অসিনা এ দি সিগী মেম্বরশিংনা থবক নিংথিনা তৌহন্নবা হোৎনবা খুলগী নিংথৌশিং, ভিলেজ ওথোরিটি, হেদ মেন অমদি মীয়াম্না মপুং ফানা তেংবাঙ পীহন্নিংই।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী চীংগী মফমশিংগীদমক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অসি মীয়ামগীনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু অপীকপা নত্রগা অচৌবা প্রোজেক্ট খুদিংমক্তা ইশাগীনি খল্লগা কান্নবা মপুং ফানা লৌহৌনবা হোৎনসি।

হৌজিকসু এ দি সিগী মীখল চহী অমগী মতুংদা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরি। মসিদসু মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটিদা শিংনরকপা অমদি প্রোক্সি ভোটনা মণিপুর থুগায়গে খল্লকপা কাঙবুনা শোয়দনমক্কী অপনবা পীরক্কনি। পীরক্কদৌরিবা অপনবা অসি মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংদা শিংনবা ওইনা থোক্কনি। মরম অসিনা মীয়াম্নসু ফীভম অসিদগী চেকশিনমিন্নসি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই কয়ানা সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী গভর্নমেন্ট সেন্টরদা লাকপা অসিনা মণিপুরগী লৈঙাক্তা অকায়বা লাক্কদ্রা হায়না ঙাঙনরিবা অসি লাক্লোই। লৈবাক অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী ফ্রেম ৱার্কতা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ফঙ্কসনরিশিং খায়দোক্তুনা লৈরিবনি। মরম অসিনা করিসু মীপায়নিঙাই লৈতে। ষ্টেটকী চাকথুংদা সেন্টরনা অয়েৎপা পীরকপা য়ারোই। লোয়ননা অন কনষ্টিট্যুসনল ওইবা থবক তৌরক্লোইদবনা মীপায়নিঙাই লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমদুদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নৌনা খল্লবা এ দি সিগী চ্যেরমেন হুমানলিয়ান বৌনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৌবা য়াবা থৌদাং লৌগনি। মসিদা মীয়াম্নসু তেংবাঙবীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

হিল এরিয়া কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাইনা থৌরমদুগী প্রিসিদেন্ট অমসুং এক্স এম এল এ কাংথুঅনাংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা এ দি সি তমেংলোংগী ভাইস চ্যেরমেন জিনো কামৈসু দাইজ মেম্বর ওইখি। নৌনা খল্লবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট এ দি সিগী চ্যেরমেন অমসুং ভাইস চ্যেরমেনদা তোঙান তোঙানবা ভিলেজ হেদশিং, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি তামৈ-তৌসেম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎখি।

# ‘হেলথ সেক্টরদা ৱাৎলিবা মেনপৱার হাপ্নবা হোৎনরি’

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ

দিরেক্টোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস, মণিপুরনা শিন্দুনা নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা হৈনৌখোঙনেম্বী প্রাইমারী হেলথ সব-সেন্টরগী নৌনা শাবা শঙলেন হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিংনা চীফ গেষ্ট, এম এল এ, আর কে অনন্দনা প্রিসিদেন্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্যা টি ঐচ সরতচন্দ্র, দিরেক্টর ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী এস দি এম (এন আর ঐচ এম) দো: ও ইবোমচা অমদি মেদিকল দিরেক্টোরেটকী এদিসনল দিরেক্টর (এম দি) দো: কে লোকেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী চীফ গেষ্টগী ৱারোল পীরদুনা ফুংজাথাং তোন্সিংনা হায়খি, মণিপুরগী হেলথ সেক্টরদা ৱাৎলিবা মেনপৱার অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং গভর্নমেন্টনা অথুবা মতমদা হাপ্নবা থৌরাং তৌরি। মীয়াম্না হকশেল ফনা থম্বা হায়বসি লৈবাক্কী অফবনি। গভর্নমেন্ট অসিনা হকশেলগী লম অসি তরাইনা লৌবা তৌদে। হেলথ সেক্টরদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনসু পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তাই। হীরম অসিদা গভর্নমেন্ট, মীয়াম অমদি ইমপ্লোয়ীগী অচেৎপা থাজনবা অমা শাগৎপা তঙাই ফদে। অমনা অমদা মতেং পাঙবা, পুকচেল শেংবা হায়বসিনা চাউখৎপা হায়বদু পুরক্কনি হায়বা ৱাফম থমখি।

প্রসিদেন্সিএল স্পিচ পীরদুনা আর কে অনন্দনা হায়, তিদ্দিম লম্বী পাকথোক-চাউথোরকপদা হৈনৌখোঙনেম্বী প্রাইমারী হেলথ সব-সেন্টর অসিগী হান্না লৈরম্বা শঙলেন শোকপনা মরম ওইদুনা অনৌবা বিল্ডিং অসি তঙাইফদনা শাদুনা শঙ্গাবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা নাওরিয়া পাখংলাকপা কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা হেলথ কেয়র সেক্টর অয়াম্বা মথৌ নিংথীনা পাঙথোক্লি। মণিপুরগী অতৈ মফমদা লৈরিবা পি ঐচ সি খুদিংমক মথৌ নিংথীনা পাঙথোকপা মথৌ তাই। অমরোমদা গভর্নমেন্টকী হোস্পিটালদা থবক তৌরিবা দোক্টরশিংনা প্রাইবেট হোস্পিটাল নত্রগা প্রাইবেট ক্লিনিক্তা থবক পুরিবসি গভর্নমেন্টনা মিৎয়েং চঙদুনা অথিংবা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে। মখোয়না গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা লায়েংবা লাকপা অনাবশিংগী মতম নিংথিনা কায়থোক্তে। মখোয়না থবক পুরিবা প্রাইবেট হোস্পিটাল নত্রগা ক্লিনিক্তা লাক্তুনা লায়েংলনবা ফাওবা হায়বা য়াওরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মীয়ামদা অৱাবা পীবদা নত্তনা শেল হেন্না চৎহন্নবগী মরম ওইহল্লি। থৌওং অসি গভর্নমেন্টনা থিংনবা হোৎনবা তঙাই ফদ্রে হায়খি।

তুংদা হেলথ মিনিষ্টরনা কেন্দ্র অদুগী মনুংদা লৈবা মেকোলা প্রাইমারী হেলথ সেন্টরগী ফীভমসু য়েংশিনখি। সেন্টর অসিগী লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং, ষ্টাফ ৱাৎলিবা অমদি মথৌ তাবা পোৎলম কয়া পীগনি হায়বগী থাজবা মীয়ামদা পীরমখি।

# বি এ দি পিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা এম্বুলেন্স পীগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (বি এ দি পি) গী মখাদা মণিপুরগী ওইনা বোর্দর এরিয়াদা লৈরিবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংগী শীজিন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা পীনবা এম্বুলেন্স গাড়ীশিং থুংলরে।

বি এ দি পিগী মখাদা পীগদৌরিবা এম্বুলেন্স গাড়ীশিং অসি সেন্টরনা মণিপুরগী প্লানিং দিপার্টমেন্টকী খুত্থাংদা পীথরকপনি। প্লানিং দিপার্টমেন্টনা এম্বুলেন্স গাড়ীশিং অসি চান্দেল, চুড়াচান্দপুর অমদি উখ্রুলদা শীজিন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দি সিশিংদা শিন্নগদৌরি। করম্বা মতমদা এম্বুলেন্সশিং অসি দি সিশিংদা শিন্নগদগে হায়বগী মতম চপ চানা লেপত্রি। গাড়ীশিংদি ইম্ফালদা থুংলখ্রে। ইম্ফালদা থুংলরিবা এম্বুলেন্স গাড়ীশিং অসি মতমগা চুনবা ইক্কিপমেন্ট কয়াসু ফিট তৌরি।

বোর্দরদা লৈবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা অথু অকায়গী ওইনা শীজিন্নবগীদমক এম্বুলেন্সশিং অসি পীরকখিবনি। এম্বুলেন্সশিং অসি দি সিশিংদা শীন্নখ্রবা মতুংদগীদি মসিগী য়েংশিনবগী থবক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা শিন্নগদৌরি। বোর্দর এরিয়াদা পায়খৎপা থৌরাংশিংগী মনুং চন্না এম্বুলেন্সশিং অসি পীথরকপনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# লৈশাবী অমা নুপী অহুম লৌতুরগা...

*লামায় ১গী মখা...* ময়ুমদা থিল্লিবনি হায়দুনা পুরক্লগা শঞ্জেনবম শেঞ্জাবী খুলদা য়ৌরকখি। লৈকায় অদুদা লৈবা লাইশ্রম জুগিন্দ্রো (৫৪) কৌবা নুপা অমগী ময়ুম মখোয়না হংবা তাবদগী খুদক্তা মহাক কার অদুদগী চোঙথরগা চেল্লকখি হায়নসু প্রসিদেন্ট অদুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, নুপীমচা অদু মফম অদুদগী চেল্লক্লগা লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংগী মনাক্তা নুমিদাংৱাইরমদা চঙজখি। ৱারম পুন্বা মৈরা পায়বীশিংদা তন্লবা তুংদা নুপীমচা অদুগী ইমুং-মনুংগী মীওইদা পাউ পীরকপদগী নুমিদাংগী পুং ৯.৩০ তাবদা লৌশিল্লগা য়ুমদা পুরকখি। থৌদোক অদু সী ঐচ নন্দরানি (৪১)না খুজিল থৌরাং তৌরগা অতোপ্পা নুপী অনীদুনা তেংবাংহন্দুনা চথুখিবা ক্রাইম অমনি। নুপী-অঙাং য়োম্থোকপনি হায়না লৌদুনা খুলগী মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌখ্রে। মীফম অদুদা সী ঐচ নন্দরানি অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা সী ঐচ লোকেন লৈকায় অদুদা লৈহন্দবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। অদুমকপু মখোয়গী মচা-মশুশিংদি লৈকায় অসিদা লৈবা য়াগনি হায়রি।

# নহারোলশিংদা থবক পীনবা...

*লামায় ১গী মখা...* পৱারলুম অমসুং হেন্দলুমনা পুথোকপা পোথোকশিংগী মরক্তা চাউনা খেৎনবা লৈ। এদভান্স পৱারলুমনা মওং তানা ফিগী পোৎলম পুথোকপদা খুম্মাঙ চাউশিনবা ঙমগনি খল্লি। এদভান্স পৱারলুম অসি শীজিন্নগদৌরিবা ফি শাবীশিংদা ফংহনগদৌরিবা মেটেরিএলসু সবসিদাইজ ওইবা মমলদা ফংহন্নবা দিপার্টমেন্ট অসিনা হোৎনরি। মসিগীসু মথক্তা ফিশাবীশিংগীদমক ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসনা মার্কেটিংগীদমক ইনসেন্টিব কয়া পীদুনা মখোয়বু চাউখৎহন্ননবা হোৎনরি।

পোরোম্পাৎতা লৈবা ৱিভর সার্ভিস সেন্টরদা নুপা ফি শাবা ১৩৩ ট্রেনিং পীরি। মখোয় ট্রেনিং লোইরক্লবা মতুংদা মপান লমদা নুপাশিংনা ফি শারিবা মওং মতৌসু য়েংহন্নবা থৌরাং লৈরি। হন্দক্তা লমদমসিগী ফিগী পোৎলম মোইরাং ফি, ৱাঙ্খৈ ফি অমসুং শাফী লানফী জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন (জি আই) রেজিষ্ট্রেসন ফংদুনা পোৎলমশিং অসি ঐখোয়গীনি হায়বা শকখঙবীখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা ফিশাবীশিংনা ৱিভরস ক্রেদিট কার্দ পায়রবদি সেন্ট্রেলাইজ বেঙ্ক অমদগী লুপা লিশিং ২৫ দগী ৭৫ ফাওবা লোন লৌবা য়াবগী খুদোংচাবা পীরবনি। মসিনা কেপিটেল এমাউন্ট পুথোকপা ঙমদবা ফিশাবীশিংদা মতেং পীরগনি খল্লি। চীফ মিনিষ্টরগী য়াথং মতুংইন্না ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেট অসিগী অকোয়বদা তোঙান তোঙানবা পোথোক কয়া পুথোক্লিবা ইন্টরপ্রেনরশিংনা শীজিন্নরিবা লমগী অৱাইমলসু থা তরুক্কী ওইনা কোকথোক্লে লাউথোকখি। থৌরমদুদা সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইনা গেষ্ট ওফ ওনর, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নার লাখের অমসুং দিরেক্টর জোনসু দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি হৌদোকখিবা ট্রেনিং ওফ সেল্ফ পিকিং এদভান্সলুম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফিশাবী ৩৩০ না শরুক য়াগনি হায়রি।

# কে সি পি-এম সি সঙাই টীমননি

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ হৌখিবা তাং ৫ অমদি ৬ কী পাউচেশিংদা ফোঙনরকখিবা সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম জয়েন্তগী ময়ুমদা হেন্দ গ্রেনেদ থল্লম্লে হায়রিবা অদু কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি মিলিটরি কাউন্সিলগী সঙাই টীমননি হায়না লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি মিলিটরি কাউন্সিলগী কম্মান্দর ইন চীফ লময়ানবা খুমন মঙাঙনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, হেন্দ গ্রেনেদ থল্লম্বা মফমসি জেনিথ একাদেমীগী হোষ্টেলনি। মসি অহানবা ৱার্নিংনি, মখা তানসু লূপনা মিৎয়েং চঙখিগনি। এদ্যুকেসনবু শেন্দাল লম্বী ওইনা চথবা অমদি হৌরক্লিবা খুন্নাইবু অরানবা লম্বেলদা চৎহনবা মহৈ লোইশঙশিংদসু লূপনা মতম পুম্বদা মিৎয়েং চঙখিগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঐচ আই ভিনা নুপী অঙাংদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা সেমীনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা শিন্দুনা ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন ৱিথ ঐচ আই ভি: ইকোনোমিক-সাইকো-সোসিএল ইমপ্লিকেসন হায়বসিদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেবেল সেমীনার অমা ইম্ফাল হোটেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসিএল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চিয়ারপার্সন দো: এল ইবেতোম্বীনা প্রিসিদেন্ট, এম এল এ, ও লন্দ্রোনীনা স্পেসল গেষ্ট অমসুং সোসিএল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি দিরেক্টর টি ঐচ জোয়চন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দো: এল ইবেতোম্বীনা হায়খি, ঙসি লৈতাদ্রবা খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চীঙাক চাবা অমদি লমচৎ কামলকপা কয়াদগী ঐচ আই ভিগী প্রোব্লেম লাক্তুনা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা মওংদা খুন্নাই অসিগী মাইওন ওইরক্লি। ফীভম অসিদা নুপী অঙাং কয়া ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা লৈরি। মখোয়গীদমক কম্মিসন অসিনা ইকোনোমিক-সাইকো-সোসিএল ইমপ্লিকেসন হায়বসিদা কোকথোং নাদুনা পুদুনা চৎলি।

মহাক্না মখা তারদুনা কম্মিসননা নুপীদা চথবা মীওৎ-মীনৈ, খায়নবা, তুহৎপীবা কয়াগী মতাংদা মিৎয়েং চঙদুনা ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনরি। অদুবু ঐচ আই ভিগী প্রোব্লেম অসিনা হেন্না চাউবা অমা ওইরি। মসি গভর্নমেন্টখক্তনা, নাকো, মেক্স খক্তনা থিংনবা হোৎনবা ঙম্লোই। খ্বাইদগী মরু ওইবদি মীয়াম হুপ্পা ৱাখল তামিন্নবা খক্তনা মসিদগী থিংবা ঙমগনি হায়খি।

চীফ গেষ্টগী ৱারোলদা মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইনা হায়, মমা ওইবীশিংদা পীরিবা ঐচ আই ভিগী চৈথেং অসি তশেংনা খঙদবদগী নত্রগা উহৌদবদগী থোকখিবা থৌদোক কয়ানি। ঙসি মখোয়গী মমিৎতা পীরাং শিন্দুনা পুন্সি লেনবা কয়া অমা থেংনরি। তোঙান-তোঙানবা এন জি ওশিং দিপার্টমেন্টকী খুত্থাংদা মিনিষ্ট্রিদগী শেম্ংলু লৌরগা স্কিম কয়া পাঙথোক্লি। অদুসু মসিনা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবশিংগী মশিং হন্থহনবদি লাইরদনা হেন্না মশিং হেঙ্গৎলক্লি। মসি লাইবক থিবা অমনি। হীরম অসিদা মীয়াম হুপ্পা লৌশিং তামিন্নদুনা অমথিরবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমীন্নরসি হায়খি।

সেমীনারগী শরুক অমা ওইনা চথখিবা টেক্নিকেল সেসনদা রিসোর্স পার্সনশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ৱা ঙাঙখি।

# অশিবা ১ ফংলে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (এচ এন এস) ঃ

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরে পুলিস ষ্টেশনদগী অৱাংদা কিলোমিটর অহুম লোম চৎলগা লৈবা হাওলেনফাই খুন তাবা লম্বী ময়াদগী সহৈ খুনগী মপা লোকচাও তুরেল মনুংদা অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে।

অশিবা হকচাং অদু ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তাবা মতমদা তুরেলদা ইরুজবা চৎলুবা মীওই খরনা হান্না থেংনরকপনি হায়রি।

# অঙাংশিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ ইনষ্টিট্যুট ফোর এদ্যুকেসনল প্রোমোসন, ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রি মপালনা শিন্দুনা ইনবাইরনমেন্ট এৱার্নেস অমসুং ট্রী প্লান্টেসনগী ওইবা অঙাংশিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অমা ঙসি ইনষ্টিট্যুট অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিরেক্টোরেট ওফ ইনবাইরনমেন্টকী দিরেক্টর এম হোমেশ্বরনা চীফ গেষ্ট অমসুং ইনষ্টিট্যুট ফোর এদ্যুকেসনল প্রোমোসনগী প্রসিদেন্ট কে ইবোহলননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

প্রসিদেন্সিএল স্পিচতা কে ইবোহলনা হায়খি, অঙ্গং অশাগী খল কায়থরক্লিবা অমদি গ্লোবেল ৱার্মিং লাক্লিবা অসিবু নৌরিবা মহৈরোয়শিংদা এৱার্নেস পীদুনা খঙহন্নবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মহৈরোয়শিংদা ইনবাইরনমেন্টনা মীওইবদা কয়াম য়াম্না কান্নবা পীরিবগে হায়বসি খঙহনবা তঙাইফদে। লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা উ পাম্বী থাবনা পীবা কান্নবশিং খঙবা মথৌ তাই হায়খি। তুংদা মহৈরোয়শিংনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী অকোয়বদা উ পাম্বীশিং থাখি।

# দ্রগ চাবা অমদি য়োনবা ২৩ ফারে

ইম্ফাল, জুন ৬ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং কৈথেলগী এরিয়াদা ময়াই কাবা নিশা য়োনবা অমদি চাবা পুন্না মীওই ২৩ ঙসি অঞ্জুমান লিলোংনা ফাগৎখ্রে। অঞ্জুমানগী মচিন চৎপা মীওই অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা লিলোং কৈথেলগী এরিয়াদা ময়াই কাবা নিশা দ্রগ, হেরোইন নম্বর ফোর, এস পি কেপসুল য়োনবা অমদি চাবা মীওই কয়া লৈরে হায়বা অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা অঞ্জুমানদা পাউ পীরকপদগী খুদক্তা অঞ্জুমানগী থৌপুবা মেম্বরশিং ময়াম চৎতুনা ঙসি লিলোং কৈথেলগী অকোয়বদা থি-হুম্বা চথদুনা মখোয়বু ফাগৎখি হায়খি।

# রিমসকী ডোক্টরনা কিদনি অনীমক...

*লামায় ১গী মখা...* হোৎনরিবা মহাক্কী ইমুংদা রিমস হোস্পিটালগী ডোক্টরশিংনা শাথিরবা চৈথেং কয়ামরুম পীরে। রিমস হোস্পিটালদা লায়েংবখক্তদা লুপা লাক্ষ ১.৪০ চঙখি। শীজ হোস্পিটালদা মখা তানা লায়েংবদনা হৌজিক ফাওবদা লুপা লাক্ষ ২.০৭ চঙখ্রে। হৌজিক্তি অনাবগী ফীভম খরা ফগৎলে। রিমসকী ডোক্টর শেল হেন্না চাদিং তৌহনখিবা অমসুং ৱাখলদা চনিং তাদবা থোকহনখিবা মতৌ অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা চলাইবা হোস্পিটাল অমদা তৌহন্নিংদে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবদুদা শরুক য়াখিবা ৱিমন এক্সন দিভেলপমেন্টকী সেক্রেটরি সোবিতা মোংশাতাবমনা হায়খি, লৈত-লায়রশিংদা হোস্পিটাল অসিগী ডোক্টরশিংনা খোইজংনা লায়েংবীদবা অমসুং থৌ-ৱা শাদবদগী অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোরকপনি। শেল হেন্না চঙহনবা অমসুং মীগী পূক্লিং ৱাখল লৈতাহনদবা থৌদৌ অসিগীদমক ৱিমন কমিসনদা ৱাকৎলগনি।

## GAS TODAY

CHANCHI INDANE SERVICE
Booking upto-22/03/14
Valid from-08/03/14.Stk-306
Timing-8.00-10:00AM
HRANGCHAL GAS NAOREMTHONG
Sl. No. 421-720
Booking upto-26/03/14
Stk-306, Timing-7.30-10 AM
K & K INDANE SERVICE
Booking upto-26/04/14
Valid from-21/04/14.Stk-806
Timing-7.00-10.00 AM
KHONGNANG GAS NINGTHOUKHONG
Booking upto-10/03/14
Valid from-02/03/14.Stk-612
Timing-7-10:30 AM
MAIBIA GAS, MOIRANG
Booking upto-27/03/14
Valid from-14/03/14.Stk-612
Timing-7:00 -11:00 AM
MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto-14/03/14
Valid from-06/03/14.Stk-612
Timing-7:30 -10:30 AM
R & H IRILBUNG
Booking upto-08/03/14
Valid from-21/02/14.Stk-612
Timing-8:00 -11:00 AM

ADMISSION OPEN
FOR NAVODAYA & SAINIK ENTRANCE
AT
FUTURE CAREER COACHING CENTRE
NAMBOL SABAL LEIKAI, BISHNUPUR DISTRICT
PLZ CONTACT : ☎ 9862736913 HL-P/238/5 - 9

B.C.C. Manipur ꯕꯤ ꯁꯤ ꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
Under the guidance of BOSEM/COHSEM Estd. 1995
ADMISSION IS GOING ON
FOR CLASS X, XI & XII SC. COHSEM/C.B.S.E.
FOUNDATION COURSES
CONGRATULATIONS



MAYANGLAMBAM GOBIN SINGH, Awang Khunou Lamkhai, Langjing, Rank-1, Roll No. 106100533
VICTOR MOIRANGTHEM, Khangabok Bazar, Thoubal, Rank-2, Roll No. 103100598
NINGTHOU OINAM, Sagoltongba Mayai Leikai, I/W, Rank-2, OBC, Roll No. 106100423
ARNON PUKHRAMBAM, Kwakeithel Moirangpurel Leikai, I/W, Rank-4, Roll No. 106100505
Our NERIST selected students for the year 2014
CBSE XI SC. 2(TWO) MONTHS VACATION COURSE
FOR NAVODAYA, SAINIK & OUTSIDERS
Seats are limited, Hurry up !
Class Timing: 5.50a.m. to 8.15a.m.
Pliz Contact: B.C.C. Manipur Main Building
Keishampat Leimajam Leikai, Tiddim Road
Hostel & Van Service facilities # 9856310202 / 9856279435
HL-B/993/1 to 30 June

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ০৭।০৬।১৪, থাংজ, ইঙাগী ৯নি পানবা, নুংথিলগী পুং ০৪.০৫ দগী ১০ নি পানবা চঙবা, যোগিনি মায়কৈদি নোংপোক, নুংথিলগী পুং ০৪.০৫ দগীদি অৱাং

*মেষ :* শাউনিংবা ফাউবা, করিগুম্বা অমা তৌবদা নুংনাংবা, মরুপ্পা য়েক্কবা ওইবা মতাংনি, পুক্নিং ফাথবা ফৈ।
*লল্লোন ইতিক :* অচা অথক্কী থবক কান্নগনি, চাউখৎপা লৈগনি।
*পাখং-লৈশা :* পুক্নিং লাঙগনি।
*হকচাং :* খ্বাঙ, শরুদা নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ হিগোক, ঘী।

*বৃষ :* পুক্তা অনা অয়েক পী, চাবা থকপা চেকশিনবা চুমগনি। ৱাখল চাঙনবা, হৈনিংদবা পীরি। পাখং লৈশাশিংগী ওইনদি নুঙাইবা পাউ তাগনি।
*লল্লোন ইতিক :* অরংবা পোৎ চৈদা কান্নজবা, থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
*পাখং-লৈশা :* নিংবা থুংগনি, পাউথোকপা লৈগনি।
*হকচাং :* খ্বাঙদা নুঙাইতবা পীগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

*মিথুন :* নুঙাইবা পাউ লাক্কনি, কান্নজবা পীবা, খঙহৌদনা শেল চৎননবা মরম অমা লাকপা লৈগনি।
*লল্লোন ইতিক :* অনৌবা থবক হৌবা য়াই, কান্নবা লৈগনি।
*পাখং-লৈশা :* পুক্নিং লাঙগনি।
*হকচাং :* মিৎতা নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙাঙবা, ঘী।

*কর্কট:* ইথা থাজদনা কান্নবা ফংঙু হায়বা লৈ, তৌরু-তৌরুবা খুদিং মায়পাকচবা পীরি। পাখং লৈশাশিংগী ওইনদি পুক্নিং নুংশিবা তানফম ওইরি।
*লল্লোন ইতিক :* চাউখৎকনি, য়েক্লবা য়ামগনি।
*পাখং-লৈশা :* ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
*হকচাং :* মিৎ, মৈগী শহুম লৈ।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

*সিংহ:* ইমুং মনুং মহি লাঙবা, পুক্নিংদা লৈতাফম খঙদবা তানফম ওই। পোৎমাঙ-চৈমাঙ লাকপা, থবক মফমদা অয়েৎপা পীরি। পাখং লৈশাশিংগী ওইনদি মীমাঙ থোকউ হায়বা লৈ, চেকশিল্লু।
*লল্লোন ইতিক :* ঈশিংদগী পোত্থোক্তা চাউখৎকনি।
*পাখং-লৈশা :* ঈকাই নুংশি য়ানগনি।
*হকচাং :* কোক, মায়দা নুঙাইতবা লৈগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

*কন্যা:* শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা লৈগনি, ইমুং মনুং লাঙবা, লমদা চৎপা লৈ।
*লল্লোন ইতিক :* মাঙবনা হেল্লি, চীঙাক্কী থবক কান্নগনি।
*পাখং-লৈশা :* অশাউবনা মাঙওইনৈ।
*হকচাং :* শরু, শিংলিদা নুঙাইতবা লৈ।
*কোকচনবা পোৎলম :* থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

*তুলা:* কান্নজগনি, চাউখৎপা লৈগনি, শেল চৎপদি য়ামগনি।
*লল্লোন ইতিক :* য়েক্লবা য়ামগনি, অরু-অনানগী থবক কান্নগনি।
*পাখং-লৈশা :* মুক্লবা লাক্কনি।
*হকচাং :* ঙক খৌরি নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

*বৃশ্চিক:* অৱা-নুঙাই য়ান্নগনি, য়ুমগী থবক্তা পুক্নিং লাঙগনি, মরুপ মপাঙনা নুংশিবীগনি।
*লল্লোন ইতিক :* মৈগী পোৎলম কান্নজগনি।
*পাখং-লৈশা :* লাপ্লম্বনা নকশিন্নগনি, চরাঙনবা লৈ।
*হকচাং :* খৌদা নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ হিগোক, চা-চন্দন।

*ধনু :* তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শন্মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
*লল্লোন ইতিক :* অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
*পাখং-লৈশা :* ৱাখল মান্নগনি।
*হকচাং :* মিৎতা নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, ঘী।

*মকর :* চরাঙনবা লৈগনি, অকাউবনা পোৎমাঙ-চৈমাঙ লাকপা লৈ, পুক্নিং ফাথবা ফৈ।
*লল্লোন ইতিক :* চাউখৎপা, হীদাক্কী থবক কান্নগনি।
*পাখং-লৈশা :* চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
*হকচাং :* ঈশিং মরী নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

*কুম্ভ :* মীনা নুংশিবীগনি, ৱাখল নুঙাইবা, তৌরুবা থবক্তা কান্নজগনি।
*লল্লোন ইতিক :* সনা লুপা, ফিরোলগী থবক কান্নজগনি।
*পাখং-লৈশা :* ৱাখল মান্নগনি।
*হকচাং :* কোক, খ্বাঙ নুঙাইরোই।
*কোকচনবা পোৎলম :* থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

*মিন :* অপাম্বা থবক্তা অয়েৎপা লৈ, মথক থোংবগা মুক্লবা, খোইশাউনবা পীবা ওইরি।
*লল্লোন ইতিক :* থবক্তা অহোংবা লাকপা, হীদাক্কী থবক চান্নে।
*পাখং-লৈশা :* পুক্নিং লাঙবা, ঈকাইবা নংগনি।
*হকচাং :* মচেক ময়া পানবদগী শোকপা নাবা লৈগনি।
*কোকচনবা পোৎলম :* থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু। যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।